# প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা টেররিজম থেংনবদা এস সি ওগী মেম্বরশিংগী খুৎশম্নবা আপিল তৌখ্রে



অস্তানা, জুন ০৯ : প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি সাংহাই কোওপরেসন ওর্গনাইজেসন (এস সি ও) গী মেম্বরশিংগী মরক্তা অমগা অমগা তাথোক তাশিন তৌনদুনা টেররিজম থেংনমিন্ননবা অমসুং সোভরন্টি অমসুং ঙমখৈদা শোকহনদনা কন্নেক্তিভিটি ফহন্নিংবগী অপাম্বা ফোংদোকখ্রে।

পাকিস্তানগী প্রাইম মিনিষ্টর নৱাদ্ধ শরিফ য়াওনা এস সি ওগী মেম্বর লৈবাকশিংগী লুচিংবশিংনা শরুক য়াবা মীফমদা প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা হায়খি, লৈবাক পুম্নমক্না মেদিকেলাইজেসন, টেররিষ্ট রিক্রুটমেন্ট, ট্রেনিং অমসুং ফাইনানশিংগী ইসুশিংগী মতাংদা পুন্না হোৎনমিন্নদ্রিমখৈ সোলুসন অমা পুরকপা ঙম্লোই।

মীওইবগী হকশিং অমসুং ভেল্যুশিং খ্বাইদগী খোঙ্গাওনবশিংগী মনুংদা টেররিজমসু অমনি হায়না মখা তানা ফোঙদোকপগা লোইননা মোদিনা হায়খি মদুদি, টেররিজম থেংননবা এস সি ওনা নৌনা পাঙ্গল পুথোক্লগনি হায়বা ঐখোয়না মপুং ফানা থাজে।

ইনর্জি, ইদ্যুকেসন, সিক্যুরিটি, মিনরেলস, দিভলপমেন্ট পার্টনরসিপ, ইনভেষ্টমেন্টনচিংবা য়াওনা তোঙান তোঙানবা সেক্টরশিংদা ললোন ইতিক তৌনবসু ইন্দিয়ানা কম্মিটমেন্ট থমই হায়নসু ইন্দিয়ন প্রাইম মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি।

‘‘ঐখোয়না এস সি ও লৈবাকশিংগা হিরম কয়াদা পাক শন্না কোওপরেসন পীনদুনা লাকই। কনেক্তিভিটিদা মীৎয়েং থম্বা পামই’’ হায়না মহাক্না হায়খি। ইন্দিয়ানা মালেমগী লৈবাক ২৯ না শরুক য়াদুনা বৈজিংদা পাংথোকখিবা হাই প্রোফাইল বেল্ট এন্দ রোদ ফোরম বোইকোট তৌখিবা মতুংদা চয়োল খরগী মনুংদা মোদিনা ৱাফমশিং অসি ফোংদোক্লিবসি মরুওই হায়না লৌনরি হায়না হায়রি।

# অনৌবা গভর্ণমেন্ট শেম্নবা টেরিসা মেনা দি য়ু পিগা য়ানবা পুরকখ্রে

লন্দন, জুন ০৯ :

দেমোক্রেটিক য়ুনিয়নিষ্টশিংগী মতেংগা লোয়ননা মহাক্না গভর্ণমেন্ট অমা শেম্লগনি হায়না টেরিসা মেনা ফোঙদোকখ্রে।

ছোর্সশিংনসু হীরম অসিগী মতাংদা টেরিসা মেনা দি য়ু পিগা য়ানবা অমা পুরকখ্রে হায়বসি কনফার্ম তৌখ্রে।

প্রাইম মিনিষ্টর মেনা বৃটিশ ক্বীনগা ইরাই নুমিৎকী নুংথিল ১২.৩০ তাবদা উনদুনা গভর্ণমেন্ট শেম্নবগী দিল অমা লৈরে হায়বদু নাখৈ শেংনা খঙহল্লবা য়াই হায়রি।

হৌখিবা অহিং অথেংবদা দি য়ু পিগা কন্না ৱারী শানরবা মতুংদা গভর্ণমেন্ট শেম্বগা মরী লৈননা য়ানবদু পুরকখিবনি। জেরেমি কোর্বিননা প্রাইম মিনিষ্টর ওইরকপা য়াবগী ফীভমগী খল্লুবদা পার্টিগী লীদরশিংনা ৱানখি হায়না ছোর্সশিংনা ফোঙদোকখি। দি য়ু পিগী ফিগরশিংনা হায়রি মদুদি, মেনা থা ১১ গী মমাঙদা প্রাইম মিনিষ্টর ওইখিবদগী মখোয়গা মেগী টিমগা থোইদোক্লা নকশিন্নরকখি।

দি য়ু পিগী ছোর্স অমনা হায়খি, মদুদি ‘ঐখোয় গভর্ণমেন্ট শেম্বদা শরুক য়াবা পামই। ঐখোয় মেগা নিংথিনা থবক তৌমিন্নরক্লে। মহাক্কী ওল্টরনেটিভ (জেরেমি কোর্বিননা গভর্ণমেন্ট শেম্বগী ৱাফম) অসিদি ঐখোয়দা নুংঙাইতে। কোর্বিননা লেবরগী লুচিংবা ওইদুনা লৈরিবমখৈ ঐখোয়না টোরিগী প্রাইম মিনিষ্টর অমা শোয়দনা লৈহন্নবা হোৎনদুনতা লৈগনি।’

কঞ্জার্ভেটিভশিং অমসুং দি য়ু পিগী মরক্তা ফোর্মেল কোএলিসন অমা লৈগদ্রা নৎত্রগা মখোয়না ‘কনফিদেন্স অমসুং সপ্লাই’ গী এরেঞ্জমেন্ট অমদা ওপরেট তৌগদ্রা হায়বগী মতাংদা ৱারেপ লৌদ্রি। অকোনবগী এরেঞ্জমেন্ট অসি য়ুনিয়নিষ্টশিংগী পোলিসী খরা এনেক্ট তৌনবগীদমক্তা মখোয়না মাইনোরিটি গভর্ণমেন্ট অমা শৌগৎপগী ৱাফমনি।

দি য়ু পিনা অনৌবা টোরি গভর্ণমেন্ট অমা শৌগৎপগী মমলদা ব্রেক্সিটকী নোদর্ন আইরলেন্দদা স্পেসল ষ্টেট্স পীরোইদবনি হায়বা প্রোমিজ অমা য়াওগনি হায়না ৱেষ্টমিনষ্টরদা পার্টিগী লীদরনা কনফার্ম তৌখ্রে।

# পাকিস্তানদা টেররিষ্টশিংগী লোৎফম লৈতে হায়রুবদগী য়ু এসকী থিঙ্ক টেঙ্ককী কাঙবুশিং নোকখ্রে

ৱাশিংটন, জুন ০৯ :

পাকিস্তানদা টেররিষ্টশিংদা চঙজফম পীনবা খুদোংথীবা থোক্লিংঙাই ওইদবা মফম অমত্তা লৈতে অমসুং কারাচিগী হোস্পিটাল অমদা শিখিবা টালিবানগী লীদর অদু অফঘানিষ্টান অমুক্তা থাদোকখিদবনি হায়না হঞ্জিন-হঞ্জিন ফোঙদোকখিবা য়ু এসতা লৈবা পাকিষ্টানগী টোপ দিপ্লোমেট ৱাশিংটনগী ওদিয়েন্সনা নোকশিনখ্রে।

‘মদুদা নোক্লিংঙাই ওইবা করম্বা ফাগিগী মচাক য়াওবগে’ হায়না খোয়রাং খোয়শারবা ৱাশিংটনদা লৈবা পাকিষ্টানগী এম্বেসেদর আইজাজ অহম্মদ চৌধরিনা ৱাশিংটনদা বেজ ওইবা থিঙ্ক-টেঙ্ক অমগী মীওইশিংদা হংখি। পাকিস্তানগী করাচিগী হোস্পিটাল অমদা শিখিবা টালিবান লীদর মুলাহ ওমার অফঘানিষ্টান থাদোক্লগা পাকিস্তানদা অমুক্তা লাকখিদ্রি হায়না মহাক্না হঞ্জিন-হঞ্জিন্না য়েৎপদা থিঙ্ক টেঙ্ক অদুগী ওদিয়েন্সতুনা মঙোন্দা নোকশিনখিবনি।

অদুম ওইনমক তশেংবা ফীভমদি য়াম্না তোঙাল্লি হায়না মমাঙদা অফঘানিষ্টান, ইরাক অমসুং য়ু এনদা য়ু এসকী এম্বেসেদর ওইনা সার্ভ তৌখ্রবা য়ু এসকী হান্নগী দিপ্লোমেট জলমে খালিলজাদনা য়েৎখি। মুলাহ ওমার পাকিস্তানদা লৈখি হায়বগী অচেৎপা ইভিদেন্স ঐখোয়দা লৈ, মহাক পাকিস্তানদা চৎখি অমসুং লৈবাক অসিগী হোস্পিটাল অমদা শিখি হায়না মহাক্না হায়খি, বিন লাদেননা অফঘানিষ্টান থাদোক্তুনা চৎখিবা লৈতে হায়না মতম শাংনা থাজনবা লৈখিবনি।

‘মিলিটরি ওপরেসন কন্না চখরিঙৈ মনুংদা পাকিস্তানি ওথোরিটিশিংনা হক্কানি নেটৱার্কপু খুদোংথীবা থোক্লোইদবা মফমদা হোংদোকখি হায়বগী ইভিদেন্স ময়াম অমা ঐখোয়দা লৈ’ হায়না পাকিস্তানদা থাখিবা য়ু এসকী হান্নগী এম্বেসেদর অদুনা এটলান্টিক কাউন্সিলগী সাউথ এসিয়া সেন্টরদা ‘রিজনেল পর্সপেক্টিভস ওন দ য়ু এস ষ্ট্রেটেজি ইন অফঘানিষ্টান’ হায়বা হীরমসিগী মতাংদা পাঙথোকপা পেনেল দিস্কসন অমদা শরুক য়ারদুনা হায়খি।

পেনেলিষ্ট অনী-হান্নগী ইন্দিয়ন মিনিষ্টর মানিশ টেৱারী অমসুং টোপ অমেরিকান থিঙ্ক টেঙ্ক এক্সপার্ট অশলি টেলিসনা খালিলজাদকী মতেং পাংশিন্দুনা পাকিস্তানদা মখা তানা টেররিষ্টশিংগী সেফ হেভনশিং লৈ অমসুং পাকিস্তানি ইষ্টাব্লিসমেন্টকী মায়কৈন্দগী লেভেল অমদা শৌগৎলি হায়না ফোঙখিবগা লোয়ননা পাকিস্তানগী টোপ দিপ্লোমেট অদুনা ইতোম তাহনখি হায়রি। ‘টেররিষ্টশিংগী করম্বা চঙজফমশিংনো নখোয়না হায়রিবদু হান্নগী থৌদোকশিং নিংশিংদুনা লৈবা তারবদি হৌজিক্কী প্রোব্লেম সোল্ব তৌবা ঙম্লোই। হক্কানি অমসুং টালিবান ঐখোয়গী মরূপশিং নত্তে। মখোয় ঐখোয়গী মহুৎ শিনবা প্রোক্সিশিংসু নত্তে। নখোয়না ঙাঙলিবদু করম্বা ক্বেট্টা সুরানো, করম্বা পেশৱার সুরানো’ হায়না পাকিস্তানগী এম্বেসেদর অদুনা হংখি হায়রি।


# থবক মফমদা নুপীশিংগী খুদোংথীনিংঙাই ওইদবা ইনভাইরনমেন্ট শেম্বদা কখোকপা



থবক মফমদা সিক্যুরিটিগী ৱাখল চেনবনা নুপীশিংনা থবক্তা শরুক য়াবগী ফীভম ফগৎহল্লি, মখোয়বু শেল-থুমগী পৱার পায়হল্লি অমসুং গ্রোথতা শরুক য়াহল্লি।

দ সেক্স্যুঅল হরাশমেন্ট ওফ ৱিমেন এট ৱার্কপ্লেস (প্রিভিন্সেন, প্রোহিবিসন এন্দ রিদ্রেশল) এক্ট, ২০১৩ গী মতুং ইন্না থবক মফমদা থোকপা সেক্স্যুঅল হরাশমেন্টকী কমপ্লেন্টশিং থিজিন্নবা অমসুং কমপ্লেন্ট অদুগী মরমদা অকক্নবা মতমগী মনুংদা ইনক্বারি তৌনবা তঙাইফদনা ইমপ্লোয়ী অমনা ‘ইন্টরর্নেল কমপ্লেন্টস কম্মিটি’ (‘‘আই সি সি’’) অমা অমসুং গভর্ণমেন্টনা দিষ্ট্রিক্ট লেভেলদা ‘লোকেল কমপ্লেন্টস কম্মিটি’ (‘‘এল সি সি’’) অমা লিংবগী তঙাইফদবা লৈ।

**করিবু সেক্স্যুঅল হরাশমেন্টনি হায়না লৌগনি?**

- নুপী অমদা পামদবা মওংদা (হকথেংননা নৎত্রগা ঈঙ্গিৎ ওইরবসু) অতম্নমা মশা শোকপা নৎত্রগা শোক্নবা নকশিনবা, সেক্স্যুঅল ফেভরশিং ফংনবা দিমান্দ তৌবা নৎত্রগা হায়জবা, তাবদা নুংঙাইতবা সেক্সকা মরী লৈনবা ৱাহৈ-ৱাতাশিং শিজিন্নবা, প্রোর্নোগ্রাফি উৎপা, সেক্স্যুঅল নেচর চেনবা অতৈ পামদবা ফিজিকেল, ভর্বেল নৎত্রগা নন-ভর্বেল কন্দক্ট।
- থবক পীবদা হেন্না লুনা তৌগনি হায়না ময়েক শেংনা নৎত্রগা ঈঙ্গিৎ ওইনা থাজবা পীবগী মওং লৈবা নৎত্রগা থাজবা পীখিবা; থবক্তা থীনা তৌগনি হায়না কিহনবগী মওং; হৌজিক্কী নৎত্রগা তুংগী থবক্কী মরমদা কিহনবা; থবক্তা খুৎ থিংজিনবা; কিনিংঙাই ওইবা নৎত্রগা হঙ্গৈইনিঙাই ওইবা নৎত্রগা তমথীবা থবক ইনভাইরনমেন্ট অমা লৈহন্নবা শিনবা; নুপী ইমপ্লোয়ী অদুগী হেল্‌থ নৎত্রগা সেফটিদা শোক্লিংঙাই ওইবা মওংদা ঈকায়বা পীবগী ট্রিটমেন্ট।

**থবক মফম হায়বসি করিনো?**

- গভর্ণমেন্টকী বোদিশিং, প্রাইভেট অমসুং পব্লিক সেক্টর ওর্গনাইজেসনশিং, নন-গভর্ণমেন্টেল ওর্গনাইজেসনশিং; কম্মর্সিয়েল, ভোকেস্নেল, এদ্যুকেস্নেল, ইন্টরটেনমেন্টেল, ইন্দষ্ট্রিয়েল, ফাইনান্সিয়ল এক্টিভিটিশিং পাঙথোক্লিবা ওর্গনাইজেসনশিং, হোস্পিটালশিং অমসুং নর্সিং হোমশিং, এদ্যুকেস্নেল ইন্সটিট্যুটশিং, স্পোর্টস ইন্সটিট্যুসনশিং অমসুং ইন্দিভিজ্যুঅলশিংগী ট্রেনিংদা শিজিন্নবা ষ্টেদিয়মশিং।
- থবক তৌরিঙৈ মনুংদা নৎত্রগা ইমপ্লোয়রনা থবক মফমদা চৎনবা অমসুং মদুদগী হন্নবগীদমক্তা পীরিবা ট্রান্সপোর্টেসন য়াওনা থবক্তুগা মরী লৈননা ইমপ্লোয়ীশিংনা চৎপা মফমশিং।
- লৈনবা মফম নৎত্রগা য়ুম অমা।
- ৱার্কর মশিং তরা য়ৌদবা (ইন্দিভিজুঅলশিং নৎত্রগা মশানা থবক পীজবা ৱার্করশিংনা মপু ওইবা) ইন্টরপ্রাইজ অমা।

**ইমপ্লোয়রশিংনা লৌখৎকদবা খোঙথাংশিং :**

- খুদোংথীনিঙাই ওইদবা থবক শূনবগী ইনভাইরনমেন্ট অমা ফংহনবা।
- সেক্স্যুঅল হরাশমেন্ট করিনো, সেক্স্যুঅল হরাশমেন্টনি হায়না লৌবা য়াবা থবক থৌওংশিং চত্থবদগী লাক্কদবা পেনাল কন্সিক্বেন্সশিং অমসুং ইন্টরর্নেল কমপ্লেন্টস কম্মিটিদা য়াওরিবশিংদু থবক মফমদা উগদবা মওংদা দিসপ্লে তৌগদবনি।
- থবক মফমদা সেক্স্যুঅল হরাশমেন্ট তৌবগী ইস্যুশিং অমসুং মসিগী লিগেল ইমপ্লিকেসনশিংগী মরমদা ইমপ্লোয়ীশিংবু ৱাখল তাহন্নবগীদমক্তা ৱার্কসোপশিং অমসুং এৱ্যের্নেস প্রোগ্রামশিং শিন-লাংবা অমসুং ইন্টরনেল কমপ্লেন্টস কম্মিটিগী মেম্বরশিংগী ওরিয়েন্টেসন প্রোগ্রামশিং শিন-লাংবা।
- সার্ভিস রুলশিংগী মখাদা সেক্স্যুঅল হরাশমেন্টপু অরানবা লমচৎনি হায়না ট্রিট তৌগদবনি।

**টাইমলাইনশিং**

- থৌদোক থোক্লিবা তারিখতুগী থা অহুমগী মনুংদা পেন্দবা নংলবা নুপী ইমপ্লোয়ী অদুনা অইবা ৱাকৎ অমা ফাইল তৌগদবনি।
- নুমিৎ ৯০নিগী মনুংদা ইনক্বারি মপুং ফাগদবনি।
- ইনক্বারি মপুং ফাবা তারিখতুদগী নুমিৎ ১০নিগী মনুংদা ইনক্বারি রিপোর্টতু ইস্যু তৌগদবনি।
- ইনক্বারি রিপোর্ট ফংবা নুমিৎ ৬০নিগী মনুংদা কম্মিটিনা পীরিবা রিক্কমেন্দেসনশিংগী মতুং ইন্না ইমপ্লোয়র অদুনা থবক তৌবগী তঙাইফদে।
- রিক্কমেন্দেসনশিং পীবা তারিখতুদগী নুমিৎ ৯০নিগী মনুংদা কম্মিটিগী ৱারেপতুগী মায়োক্তা আপিল তৌবা য়াহল্লি।

davp 48106/13/0003/1718

**ইন্দিয়ান পেনাল কোদ, ১৮৬০গী মখাদা নুপীশিংগী মায়োক্তা তৌবা ক্রাইমশিংগী লিগেল প্রোভিজনশিং**

| আই পি সীগী সেক্সনশিং | ওফেন্স | পনিশমেন্ট | বেলেবল/নন-বেলেবল |
|---|---|---|---|
| ৩৫৪ | নুপীদা মহাক্কী ঈকায় কুম্নবা মাঙহন্নবগী ৱাখলগা লোয়ননা অসোল্ট তৌবা নৎত্রগা ক্রিমিনেল ফোর্স শীজিন্নবা। | চহী অমা জেলদা থম্বা নৎত্রগা ফাইনগা লোয়ননা চহী মঙা ফাওবা শাংদোকপা য়াই। | কোগ্নিজেবল অমসুং নন-বেলেবল |
| ৩৫৪ এ | পামদবা মওংদা মশা শোক্নবা অমসুং নকশিনবা মওংগী সেক্যুঅল হরাশমেন্ট নৎত্রগা সেক্যুঅল ফেভরশিং দিমান্দ তৌবা নৎত্রগা ফংহন্নবা হায়জবা, পোর্নোগ্রাফি উৎপা। | চহী অহুম ফাওবা জেলদা থম্বা নৎত্রগা ফাইন নৎত্রগা অনীমক। | কোগ্নিজেবল অমসুং নন-বেলেবল |
| | সেক্সকা মরী লৈননা তাবদা নুংঙাইতবা অকাম্বা ৱাহৈ-ৱাতাশিং শীজিন্নবগী মওং ওইবা সেক্যুঅল হরাশমেন্ট। | চহী অমা ফাওবা জেলদা থম্বা নৎত্রগা ফাইন নৎত্রগা অনীমক। | কোগ্নিজেবল অমসুং নন-বেলেবল |

মীয়ামগীদমক্তা ইস্যু তৌজরিবা

**নেসনল কম্মিসন ফোর ৱিমেন**

www.ncw.nic.in


## ꯃꯄꯥꯟꯒꯤ ꯄꯥꯎ/EMPLOYMENT NEWS

### CU Himachal Recruitment – 91 Assistant Professor, Associate Professor, Professor & Various Vacancies – Last Date 22 June 2015

Central University of Himachal Pradesh invites Application for the post of 91 Assistant Professor, Associate Professor, Professor & Various Vacancies in Teaching, Non-Teaching and other Academic Staff positions on regular basis. Apply before 22 June 2015.

Advt No. : 02/2015

**Job Location : Himachal Pradesh**

**Job Details :**

Post Name : Assistant Professor
No of Vacancy : 37 Posts
Pay Scale : Rs. 15600-39100/-
Grade Pay : Rs. 6000/-

Post Name : Associate Professor
No of Vacancy : 32 Posts
Pay Scale : Rs. 37400-67000/-
Grade Pay : Rs. 9000/-

Post Name : Professor
No of Vacancy : 17 Posts
Pay Scale : Rs. 37400-67000/-
Grade Pay : Rs. 10000/-

**Eligible Criteria for CU Himachal Recruitment :**
Educational Qualification :
For Assistant Professor : Good academic record as defined by the concerned university with at least 55% marks (or an equivalent grade in a point scale wherever grading system is followed) at the Master's Degree level in a relevant subject from an Indian University, or an equivalent degree from an accredited foreign university and candidate must have cleared the National Eligibility Test (NET) conducted by the UGC, CSIR or similar test accredited by the UGC like SLET/SET.

For Associate Professor : Good academic record with a Ph.D. Degree in the concerned/allied/relevant disciplines and Master's Degree with at least 55% marks.

For Professor : An eminent scholar with Ph.D. qualification(s) in the concerned/allied/relevant discipline and published work of high quality, actively engaged in research with evidence of published work with a minimum of 10 publications as books and/or research/policy papers.

Nationality : Indian
Age Limit : As per UGC / NCTE Regulations

**Application Fee :** Candidates have to pay a Bank Draft of Rs. 500/- for General Category & Rs. 125/- for SC /ST/ PH drawn in favour of Finance Officer, Central University of Himachal Pradesh payable at Dharamshala, Himachal Pradesh.

**How to Apply CU Himachal Vacancy :** Interested candidates may apply in prescribed application form along with required documents and The envelope should be super-scribed as "Application for the post of ……". send to The Registrar Central University of Himachal Pradesh Camp Office, Near HPCA Cricket Stadium, Dharamshala, District – Kangra, Himachal Pradesh – 176 215 on or before 22.06.2015.

**Important Dates to Remember :**
Last Date for Submission of Application Form : 22.06.2015

***Important Links :***
*Detail Advertisement Link : http://www.cuhimachal.ac.in/download/2015/may-2015/emp-notice-eng/Website.pdf*
*Download Application Form for Teaching Positions : http://www.cuhimachal.ac.in/download/2015/may-2015/emp-notipdf*
*Download Application Form for Non-Teaching Positions : http://www.cuhimachal.ac.in/download/2015/may-2015/emppdf*

### Central University of Himachal Pradesh Recruitment – 80 Lower Division Clerk, Multi-Tasking Staff & Various Vacancy – Last Date 05 July 2017

**CU Himachal Recruitment 2017**

Central University of Himachal Pradesh invites Application for the post of 80 Lower Division Clerk, Multi-Tasking Staff & Various Vacancy on regular basis. Apply Online before 05 July 2017. Qualification/ eligibility conditions, how to apply & other rules are given below…

Advt No. : 01/2017

**Job Details :**
Post Name : Lower Division Clerk
No of Vacancy : 14 Posts
Pay Scale : Rs. 15600-39100/-
Grade Pay : Rs. 6000/-
Post Name : Multi-Tasking Staff
No of Vacancy : 07 Posts
Pay Scale : Rs. 37400-67000/-
Grade Pay : Rs. 9000/-

**Eligible Criteria for CU Himachal Recruitment :**
Educational Qualification :
For Lower Division Clerk : 10+2 or equivalent qualification from a recognized Board or University with .

For Associate Professor : Matriculate or equivalent / ITI Pass..
Age Limit : Maximum age limit is 30 years

**Job Location : Himachal Pradesh**

**Selection Process :** Selection will be made on through Written Test/Interview

**Application Fee :** Candidates have to pay Rs. 500/- for General Category & Rs. 400/- for OBC Candidates . No Fee for SC/ST/Women/PWD candidates .

**How to Apply CU Himachal Vacancy :** Interested candidates may online through the website http://cuhimachal.ac.in on or before 05.07.2017. Thereafter link will be disabled

**Important Dates to Remember :**
Last Date for Submission of Online Application Form : 05.07.2017

***Important Links :***
*Detail Advertisement Link : http://cuhimachal.ac.in/download/2017/job-2017/may-2017/Emp.%20Notice%2001-2017_Non-Teaching%20Positions%20Advertisement_Final%20(English)_27.05.2017.pdf*

***Essential qualification :*** *http://cuhimachal.ac.in/download/2017/job-2017/may-2017/Essential%20Qualifications%20and%20Age%20limit.pdf*

***Apply Online :*** *http://cuhp.admissionhelp.com/CUHP/login.aspx*